# কোচশিংগী লাল্লোং য়াৎপা লোয়খ্রে

## সুশিল অমদি রাধারানিনা চহী অসিগী বেষ্ট ফুটবোল্লরগী মনা অমদি সুরমালানা বেষ্ট কোচকী মনা ফংলগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৬ তগী মপানগী টিম ৪ য়াওনা পুন্না টিম ২৯ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুং অমদি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা মরিরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এস এস বি ৱেষ্ট বেঙ্গলগা তরুকলক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ট্রাউ ক্লাকৈথেলগা মেইন ষ্টেদিয়মদা থেংনরগনি। টিম অনীমক্কী কোচশিংনা ইডিসন অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা লালোংশিং য়াৎপা লোয়নখ্রে।

চহী অসিগী ওইনা নুপা অমদি নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনানা নেরোকাগী মিদ ফিল্ডর নাওরেম সুশিল অমসুং হৌজিক হৌজিক ঈ এস য়ুগী শান্নরোই ওইরিবী জি রাধারানি দেবীনা ফংলগনি। বেষ্ট কোচকী মনানা এ এফ সিগী (দি) লাইসেন্স পায়রবা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইরুরবী এম সুরমালা চনুনা লৌরগনি।

নুপাগী বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংলগদবা নেরোকাগী মিদফিল্ডর এন সুশিল মৈতৈ মমাংগী ইডিসন্দা চেম্পিয়ন ওইখিবা স্কাউটদা য়াওখি। মেঘালয়াদা পাঙথোকখিবা ডাঃ টি আউ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইরকখি। কেরালাদা পাঙথোকখিবা সন্তোশ ট্রোফিদসু মণিপুরগী টিমদা য়াওখি, শিল্লোং লাজোং এফ সিগা অরাম্বাই এলভেনগা শান্নখিবা মেটচ অমদি এম দি এস এলভেনগা ডাঃ টি আউ টিমগী চেম্পিয়নগা শান্নখিবা মেটচতসু শরুক য়াখি। ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী অহুমশুবা তাখিবা নেরোকাগী টিমদসু শরুক য়াখি। দি এস এ ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ট্রোফিদনা সেমি ফাইনেলগী থাক ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। এম এম ত্রোফিদা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি লোয়ননা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৩–১৪দসু সেমি ফাইনেলগী থাক ফাওবা চঙবা ঙমখি।

নুপীগী বেষ্ট ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংলগদবী জি রাধারানী দেবী ইন্টরনেস্নেলগী টুর্নামেন্ট কয়াদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুরে। বহরিয়ানদা মমাং চহীগী মে থাদা পাঙথোকখিবা একজিবিসন মেটচতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ৱিন্নর ওইরকখি। পেলেস্তাইনদা মমাং চহীগী মেগী ২১ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা এ এফ সি ৱুমেন্স এসিয়া কপ ক্বালিফায়িং রাউন্দদসু শরুক য়াখি।

বেষ্ট কোচকী মনা ফংলগদবা মুতুম সুরমালা চনু মুম্বাইদা মমাং চহীগী জনুৱারি ১৭ তগী ২০ ফাওবা নেদরলেন্সকা শান্নখিবা ইনভাইতেসন মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইদুনা ৱিন্নর ওইখি। পেলেস্তাইনদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়া টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইখি।



### 57TH CC MEET FOOTBALL

*এস এস বিগী টিম কোচ পি ৱাংখুপ কোমনা ফোঙদোকখিবদা হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা টিম অসিগী ক্লি প্লেয়র ওইরিবা মিদ ফিল্ডর বিশ্বর্জিৎ সিংহ ওটো সস্পেন্সনদা লৈখিবনা মরম ওইদুনা শরুক য়াররোই অদুবু মেটচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মহাক্কী পোজিসন অদু নীংথিনা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই অমা থাদোক্কনি।*

*ট্রাউগী কোচ কে ঐচ সুরমনিনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী ফাইনেল মেটচ অসিদা শান্নরোই অমত্তা অশোক–অপন লৈখিদবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনা মরম ওইদুনা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়খি।*



## বাসু এলভেন অমদি দব্লিউ ৱাই সি দেবলা ট্রোফিদা মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিসু বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা বাসু এলভেন খাঙবোক অমদি দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম মায় পাকখ্রে।

অহানবদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা বাসু এলভেন খাঙবোক্না এ এম সি এ মোইজিংবু রন ৩ দা মায়থীবা পীখি। মেন ওফ দি মেটচনা বাসুগী টি ঐচ প্রিয়োবর্ত্তনা তাখি।

অনীশুবদা শান্নখিবা গ্রুপ (জি)গী মেটচতনা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম্না সি দব্লিউ শিংজমৈবু রন ২৬ তা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা টিম অসিমক্কী রাজুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

## করাটে–দো চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* মণিপুর এমেচর করাটে দো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সিতো রিয়ু সাইকো কাই করাটে–দো মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন করাটে–দো চেম্পিয়নসিপ য়ুনিট ১৪গী শান্নরোই ২০০ রোম্না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অদু দিপ্যুটি স্পিকর এম কে প্রেসো সিমরে, এম য়ু স্পোর্টসকী এদিস্নেল দিরেক্টর ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ সিংহ, ইচমগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রো, মণিপুর এমেচর করাটে–দো এসোসিয়েসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট সিহান কিরনকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র বোইজকী কটা ইভেন্টতা কংলৈ সিটু রিয়ু পাংশোয়গী এন বিনোদকুমার, কে ঐচ অমর্জিৎ অমদি এন বিমোল কুমারনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

# টোপাজ হাউসনা ওভর ওলগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*নুপামচা অমদি নুপীমচা ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সেফিয়ার হাউস (ওই) অমসুং রবি হাউসকী শান্নরোইশিংদা চিয়ারমেন ইরাবন্তনা ট্রোফি খুৎশিন্নখিবা।*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* য়ুনাকো স্কুল এক্সেলেন্স ইন এডুকেসনগী অহুমশুবা এনুয়েল স্পোর্টস মিট ২০১৩–১৪গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন টোপাজ হাউসনা গোল্ড ৩২, সিলভর ২৮ অমদি ব্রোঞ্জ ২৪ ফংলগা ওভর ওলগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ইমরেল হাউসনা গোল্ড ৩১, সিলভর ৩৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৩১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন, রবি হাউসনা গোল্ড ৩০, সিলভর ২৬ অমদি ব্রোঞ্জ ২৪ ফংলগা অহুমশুবা, সেফিয়ার হাউসনা গোল্ড ২১, সিলভর ১৬ অমদি ব্রোঞ্জ ২১ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

থা অসিগী ৮ দগী চথরকখিবা স্পোর্টস মিট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুনাকো স্কুলগী চিয়ারমেন এন ইরাবন্তা সিংহ অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল অনুস রেনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মরাথোন রেস নুপামচাগীদা টোপাজ হাউসকী ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় খোমদ্রাম সনাখোম্বনা ফার্ষ্ট, রবি হাউসকী ক্লাস ঐটকী মহৈরোয় পিটরজিৎ ৱাহেংবম্না সেকেন্দ অমসুং ইমরেল হাউসকী ক্লাস ঐটকী মহৈরোয় শগোলশেম বিকাসনা থার্দ তাখি। ইভেন্ট অসিমক্কী নুপীমচাগীদা ইমরেল হাউসকী ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় নীংথৌজম ববিনা দেবীনা ফার্ষ্ট, রবি হাউসকী ক্লাস সিক্সকী মহৈরোয় লাইশ্রম নেস্তিলিনা সেকেন্দ অদুগা ইমরেল হাউসকী ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় রিঙ্কি রাইননা থার্দ তাখি।

নুপামচাগী ফুটবোলদা সেফিয়ার হাউসনা টোপাজ হাউসপু গোল ২–০ দা অমদি নুপীমচাগীদা রবি হাউসনা সেফিয়ার হাউসপু টাই ব্রেক্তা গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

# হোক্কী য়ুনিয়ন অমদি সি দি ও ফাইনেল শান্নরগনি

HOCKEY



*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী প্রেক্টিস ফিল্ডদা চথরিবা অন্দর ১৪ বোইজ হেরোজিৎ ৱারিবম মেমোরিয়েল গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেলদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি সি দি ও চরাংপাৎনা থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা কে ঐচ এস সি খোংমনবু গোল ৮–০ দা চাওনা মায়থীবা পীখি। হোক্কী য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু এ সুরেশ শর্ম্মনা ২১, ২৯ অমদি ৪৯ শুবা মিনিটতা ৩ , ৱাই বিদ্যানন্দনা ৬ অমদি ২৮ শুবা মিনিটতা অনী, দব্লিউ নিরজকুমার, এস চিঙ্খেঙানবা অমদি ৱাই নেদিস সিংহনা মথংশিংনা ১৮, ৩৭ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুদা হোক্কী য়ুনিয়ননা পেনাল্টি কোর্নর ৪ ফংবদা অনী গোল ওন্থোকপা ঙমখি। কে ঐচ এস সিনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংলবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সি দি ও চরাংপাৎনা ফাম ইম্ফালবু টাই ব্রেক্তা গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অদুবু মায় পাকহনবদা সি দি ওগী গোলকিপর এস পিনারালনা গোল ৩ তৌদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। টিম অনীমক্কা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমমম চন্নদুনা লৈনখিবদগী অহেনবা মিনিট ১০ হাপ্তুনা শান্নখিবদসু মখা তানা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী টাই ব্রেক্কা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি।

অপীবা মতমদা চনখিবা ফামগী গোল অদু এন কেকে শর্ম্মনা ১৪ শুবা মিনিটতা অমদি সি দি ওগী গোল অদুনা এস অতোননা ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টাই ব্রেক্কী সি দি ওগী গোল অহুম অদুনা টি বোরলি, এস অতোন অমদি টি ঐচ একেন্দ্রনা চনখিবনি। ফামগী গোল অনী অদুনা এন দত্তা অমদি এন অমননা চনখিবনি।

ফামগী গোলকিপর এল রোহিদসু মেটচ অদুবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবগা লোয়ননা গোল ২ সেব তৌখি।




SPECIAL FEATURES:

• English Medium • Co-education • Affiliated to CBSE • Only Member of British Council of India • Well trained teaching faculty • EDUCOM Smart Class • Well equipped Swimming Pools • Separate Boys' and Girls' Hostels • Chinese Furniture for school and hostels • All weather air conditioned Class Rooms • Hobby Classes including Taekwondo • Transport Service • Fire Safety Equipments • CCTV Cameras for safety •

ADMISSION OPEN

Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*